# বি জে পিনা মায় পাক্লকপদা মালেমগী লুচিংবশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিদা থাগৎপা ফোঙদোরকখ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ২৩ (এজেন্সী):

ভারতিয়া জনতা পার্টিনা লুচিংবা নেসনল দেম্মক্রেটিক এলাইয়েন্সনা লোক সভা মীখলদা সিট মশিং য়াম্না ফংদুনা মায় পাক্লকপদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লুচিংবশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা থাগৎপা ফোঙদোরকখ্রে।

ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটন্যাহুনা হায়খি, মোদিবু মতিক চাবা লুচিংবা অমনি হায়বা হন্দক্কী মীখল অসিদগী ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে। মালেমদা খ্বাইদগী চাওবা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইরিবা ইন্দিয়াগী মতিক চাবা লুচিংবা অমনি হায়বা মীখলগী ফলনা অদুমক তাকচরে।

চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। চেরোল অমদা চাইনিজ প্রসিদেন্টনা হায়খি, হিরম খুদিংমক্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা থবক তৌমিন্ননবা শেম শাদুনা লৈরে। মতুং তারকপদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা থবক থৌরম কয়াদা থৌদাং লৌমিন্নরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

জপানিজ প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবে, রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুতিন, মালদিপসকী প্রসিদেন্ট ইব্রাহিম মহমদ সোলি, অফগানিস্তানগী প্রসিদেন্ট মাইথ্রিপালা সিরিসেনা, নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর কে পি শর্ম্মা ওলি, পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান অমদি বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর সেখ হসিনানসু মোদিবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা জপানিস প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা হায়খি, মতম কয়াগী মমাঙদগী অচেৎপা মরী থম্নদুনা লাক্লবা ইন্দিয়াগা মখা তানা থবক থৌরম কয়া পায়খৎমিন্ননবা শেম শাদুনা লৈরি। মোদিনা হন্দক্কী মীখলদা মায় পাক্লকপনা লৈবাক অনীগী মরী অমুক্কা হেন্না চেৎশিলহল্লগনি।

অমরোমদা, পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা হায়খি, ইন্দিয়াগী লোক সভা মীখলদা বি জে পি অমসুং মসিগা চৎমিন্নরিবা পার্টিশিংনা মায় পাক্লকপদা হরাওবা ফোঙদোকল্লি। খা এসিয়াদা ইংতপ্পা ফিভম লৈহন্নবগী মতাংদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা হিরম কয়াদা থবক তৌমিন্ননবা শেম শারে হায়খি।

বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর সেখ হসিনানা হায়খি, তাঙ্ক্ক তরেৎ থোক্লা পাঙথোকখিবা মীখলদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অমুক হন্না মায় পাক্লকপনা লৈবাক অনীগী মরী চেৎশিলহল্লগনি। বাংলাদেশকী মীয়াম অমসুং লৈবাক মীয়ামগী মহুৎ শিল্লগা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা মায় পাক্লকপগী মতাংদা হরাওবা ফোঙদোকপগী পাউজেল পীরি।

ইন্দিয়াগী মীয়াম্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মফমদা চেৎনা থাজবা মরম্না হন্দক্কী মীখলদা এন দি এনা সিট মশিং য়াম্না ফংদুনা মায় পাক্লকপনি। বংলাদেশনা ইন্দিয়াগা থম্নরিবা মরী অমদি লৈবাক অনীনা পাখৎমিন্নরিবা থৌরাংশিং লুম্না লৌই। বংলাদেশ নীং তমহন্নবা হোৎনবদা ইন্দিয়ানা লৌখিবা থৌদাং মতম পুম্নমক্তা কাউবা ঙম্লোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগুম্বা মতিক চাবা লুচিংবা অমদি লিচিং মখাদা ইন্দিয়াগী মীপুম খুদিংমক মালেমগী চাওখৎ লমজেলদা শরুক য়াবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মথংদা অমুক হন্না মায় পাক্লবা প্রাইম মিনিষ্টরনা বংলাদেশতা লাকপা মতমদা তরাম্না ওক্কনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# রাহুল গান্ধিনা মায়থীরে হায়বা য়াজখ্রে, মোদি অমদি স্মৃতি ইরানিবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে





ন্যু দিল্লি, মে ২৩ (এজেন্সী):

কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লুচিংবা অমা ওইনা লৈবাক মীয়ামগী অৱাৎ-অপা য়েংশিনবীনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৪৮ শুরবা রাহুল গান্ধিনা অমেথি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মায়থীরে হায়বা য়াজখি। শাংলবা চহী ৪০ রোম গান্ধি ফেমিলিগী অকনবা মফমনি হায়না লৌদুনা লাকখিবা অমেথিদা স্মৃতি ইরানিনা রাহুল গান্ধিবু মায়থীবা পীখি। কুমজা ২০১৪গা য়েংনবদা হন্দক্কী মীখলদনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এনা সিট মশিং য়াম্না ফংবা ঙমখি। কোংগ্রেসকী ওইনদি মমাঙগী মীখলগা য়েংনবদা চাং হায়রপ মান্না লৈখি।

অমেথি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মায়থীবা ফংলবা রাহুল গান্ধিনা কেরলাগী ৱায়ানাদতসু মীরেপ ওইনা চোংথোকখি। কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা মীখলদা স্মৃতি ইরানিনা অমেথিদা মীরেপ ওইনা চোংথোকখিবদা রাহুল গান্ধিকী মখুৎতা মায়থীবা নংখিবনি। মতমদুদগী হৌনা অমেথিদা স্মৃতি ইরানিনা কয়ারক হন্না চৎতুনা মীয়ামগী অৱাৎ অপা পুন্নমক য়েংশিন্দুনা লাকখি। অমরোমদা রাহুল গান্ধিদি মীখল ময়াদা অমুকখক চৎলুবা নত্তনা অমেথিদা হন্না ফাওবা য়েংখিদে হায়না বি জে পিনা মরাল শীরকপা লৈখ্রে।

রাহুল গান্ধিকী মচননুপী প্রিয়াঙ্কা গান্ধি ভদ্রনা অমেথি অমসুং অপোকপী মমা সোনিয়া গান্ধিনা মীরেপ ওইরিবা রাই বরেলিদা কয়ারক হন্না চৎতুনা মীখলগী কেম্পেইন পাঙথোকখি। অদুবু কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইরিবা রাহুল গান্ধিনা অমুক্তা ফাওবা লাকখিদবগী মতাংদা মীয়াম্না ৱারৌনবগী মওং অমা ময়েক শেংনা উবা ফংখি।

কুমজা ১৯৯৮দা অমুকখ মায়থীখিবা নত্তনা হৌখিবা চহী ৩০গী মনুংদা কোংগ্রেসনা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা অমুক্তা ফাওবা মায়থীবা লৈখিদ্রি। মমাঙগী মীখলদসু কোংগ্রেসনা উত্তর প্রদেশকী সিট ৮০গী মনুংদা অমেথি অমসুং রাই বরেলি নত্তনা অতৈ অতোপ্পা কন্সটিট্যুয়েন্সি অমত্তা মায় পাকপা ঙমখিদে। মতম শাংনা গান্ধি ফেমিলিগী কন্সটিট্যুয়েন্সি হায়না লৌদুনা লাকখিবা অমেথিদা হন্দক বি জে পিগী মীরেপ স্মৃতি ইরানিনা মায় পাকখিবা হায়বসি কোংগ্রেসকী অচৌবা মাংজবা অমনি। বি জে পিগীনা অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়না লৌনরি।

পোলিটকেল এনালিষ্টশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না করিগুম্বা মীখল ময়াদা রাহুল গান্ধিনা অমেথিদা তোইনা চৎতুনা মীয়ামগা উনরম্বা তারবদি হন্দক্কী মীখলদা মায় পাক্লম্বা য়াবনি হায়রি।

মীখ মতমদা মীরেপ চে পীশিনবা লাকপা নত্তনা অতৈ মতমশিংদা হন্না ফাওবা য়েংলকখিদবগী মতাংদা রাহুল গান্ধি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী মীয়াম্না ৱারৌনবগী মওং উবা ফঙলে হায়নসু লৈবাক্কী পোলিটিক্স নৈনবা মীওইশিংনা ফোঙদোকখি।

স্মৃতি ইরানিনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমা ওইবগী খুদোংচাবা লৌরগা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা তোইনা চৎতুনা মীয়ামগী অৱাৎ অপা য়েংশিনখিবগী মহৈনা হন্দক্কী মীখলদা মহাক্না রাহুল গান্ধিবু অমেথিদা মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি হায়না থাজনরি।

# লৈবাক নীংবা হায়বসি চিন্দা লাউব খক্তনা য়াদে, থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা উৎপা মথৌ তাই ঃ ভেনকয়া নাইদু





ন্যু দিল্লি, মে ২৩ (এজেন্সী):

ভাইস প্রসিদেন্ট ভেনকয়া নাইদুনা কন্সটিট্যুস্নেল বোদিশিং হন্থনা য়েংবা খক তৌরোইদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চেন্নাইদা মেনেজমেন্ট গ্রেজুয়েটশিংগী কনভোকেসন অমদা ৱা ঙাংখিবদা মহাক্না হায়খি, চিন্দা বন্দে মাতরম অমদি জয় হিন্দ হায়না শোল্লগা লৈবাক নীংই হায়না লৌবা য়াদে। লৈবাক নুংশিবা হায়বসি থবক ওইনা পাঙথোক্লগা উখোক্কদবনি।

লৈবাক অসিদা খুন্দারিবা মীপুম খুদিংমক অমনা অমগী মতেং পাঙনগদবনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি কনাগুম্বা মীওই অমবু য়নিংদবা থোল্লবসু মীওই অদুগী মায়োক্তা ফত্তবা ৱা ঙাংবগী মহুৎতা মতিক চাবা ফোরম অমদা য়ানিংদবা ৱাফমশিং পুথোক্তুনা খন্ন-নৈনগদবনি।

হন্দক মরক লৈবাক নীংবা হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক পীবগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, কন্যাকুমারীদা করিগুম্বা থৌদোক অমা থোকপা মতমদা কাস্মিরগী মীয়াম্না মীৎয়েং চঙগদবনি। কেরালাদা থৌদোক অমা থোক্লগসু কাস্মিরগী মীয়াম্না খোঙজেল থুনা লাউবা মথৌ তাই হায়খি।

লৈবাক নীংবা হায়বসি ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না কাংলুপ, লাইনিং অমদি লাইর ইনাকখুনবগী ৱাফম থাপ্না থমখ্রবা অমনা অমগী মতেং পাঙনবা অদুবুনি

লৈবাক নুংশিবা হায়বসিনা ইন্দিয়াদা লৈমিন্নরিবা মীপুম খুদিংমক নুংশি চান্ননা লৈমিন্না ঙম্নবা থৌরাং লৌখৎপদুনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ভাইস প্রসিদেন্ট এম কে নাইদুনা ঙসি চেন্নাইদা ইন্টর্নেসনল দে ওফ বাইওলোজিকেল দাইভর্সিটিগা মরী লৈননা ত্রি এম্বুলেন্স অমা লমথাবগী থৌরমদা হায়খি, তোঙান-তোঙানবা মফমদা হৌরিবা উ পাম্বীশিং চেকশিন্না শেন্নহন্নবগী পান্দমদা উপাম্বী কল্লু হায়বা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা ত্রি এম্বুলেন্স লম থাবগী থৌরম পাঙথোকখিবনি।

মালেমদা অইং অশাগী খল কায়রকপগা লোয়ননা পোল্যুসন থোকপগী চাং ৱাংখৎলকপা মরম্না উ পাম্বীশিং কনবগী মথৌ তারকপনা মফম খুদিংমক্তা চৎতুনা উ চরা কয়া থানবা অমসুং মপুং মরৈ ফাবা ঙমদ্রবা পাম্বীশিং য়েংশিন্নবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

থৌরমগা মরী লৈননা এস এ এস এগী ফাউন্দর সুরেস কৃষ্ণযাদবনা হায়খি, ত্রি এম্বুলেন্সতা মেকানিকেল টুল, ফর্টিলাইজর অমদি ফঙ্গিসাইদনচিংবা পোৎলমশিং শুনা য়াওই।

# মনোহর পরিকারনা পায়রম্বা এসেমব্লীগী সিট কোংগ্রেসনা মুনখ্রে, অতোপ্পা কন্সটিট্যুয়েন্সি অহুমদা বি জে পিনা মায় পাক্লে



পনাজি, মে ২৩ (এজেন্সী):

গোৱাদা বি জে পিনা চহী ২৫ হেন্না খুদুম চন্দুনা লাকখিবা পনাজি এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিদা পাঙথোকপা বাই ইলেক্সনদা কোংগ্রেসনা মায় পাকখ্রে। সিরোদা, মাপুসা অমদি মেন্দ্রেন এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিদা পাঙথোকখিবা বাই ইলেক্সনশিংদদি বি জে পিনা মায় পাকখি।

সিটিং এম এল এসু ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মনোহর পরিকার লৈখিদ্রবা মতুংদা পনাজি এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী বাই ইলেক্সন পাঙথোকখিবনি। মপুসাদসু বি জে পিগী এম এল এ ফ্রান্সিস দি সুজা লৈখিদ্রবা মতুংদা তঙাই ফদনা বাই ইলেক্সন পাঙথোকপা তাখি।

সিরোদা অমদি মেন্দ্রেংদনা কোংগ্রেসকী এম এল এশিং ফম থাদোকখিবদগী বাই ইলেক্সন ওন্থোকখিবনি। পনাজিদা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইখিবা এটানাসিও মোন্সেরাতিনা ভোট ৮,৭৪৮ ফংখিবদা বি জে পিগী মীরেপ সিদার্থ কুমকোলিনকরনা ভোট ৬,৯৯০ ফংখি।

গোৱা সুরকসা মঞ্চকী মীরেপ সুবাস রেলিঙ্কারনা ভোট ৫৬০ ফংদুনা ৩শুবা অমসুং আম আদমি পার্টিগী বালমিকি নাইকনা ভোট ৪৩৬ ফংদুনা মরীশুবা তাখি।

কন্সটিট্যুয়েন্সি অসি মনোহর পরিকরগী লিচিং মখাদা বি জে পিনা কুমজা ১৯৯৪দগী হৌনা শাংলবা চহী ২৫ খুদুম চন্দুনা লাকখিবনি।

মীখলগী লাউথোরকখ্রবা মতুংদা বি জে পিগী মীরেপ কুমকোলিনকরনা হায়খি, মীয়াম্না পীরকপা ৱায়েল মপুং ফানা ইকায় খুম্নে। এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা মায়থীখিবগী মতাংদা বি জে পিগী ৱার্কর পুম্নমক্কী মফমদা ঙাকপীনবা হায়জখি।

মাপুসাদা লৈখিদ্রবা ফ্রান্সিস দি সুজাগী মচানুপা জোসুৱা দি সুজানা বি জে পিগী মীরেপ ওইনা চোংথোকখিবদা কোংগ্রেসকী মীরেপ সুধির কন্দোলকরদগী ভোট ১,১৫১ হেন্দুনা মায় পাকপা ঙমখি। বি জে পিগী মীরেপ অসিনা অপুনবা ভোট ১১,১৬৭ ফংখিবদা কন্দোলকরনা ভোট ১০,০১৬ ফংখি।

সেরোদাদা বি জে পিগী সুবাস সিরোতকরনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইখিবা এম জি পিগী দিপক দবালিকরদগী ভোট৬৬ হেন্দুনা মায় পাকখি।

# ‘চহী ২৫ মোদিবু মায়থীবা পীবা ঙম্লোই’

ন্যু দিল্লি, মে ২৩ (এজেন্সী):

বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা চাওনা মায় পাক্লকপদা সিব সেনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চহী ৫ রোম বি জে পিগী মায়োক্তা ৱা ঙাংদুনা লাকখিবা সিব সেনাগী লুচিংবা উধব থাকরেনা হন্দক্কী লোক সভা মীখল মমাঙদা বি জে পিগা নৌনা খুৎশম্নখিবনি। পার্টি অসিগী এম পি সঞ্জয় রাওতনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মায়োক্তা রফেল ফাইটর জেট দিলনচিংবা তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া পুখুৎতুনা মরাল শীরকখিবা ওপোজিসনগী মঙলান অরেম্বা তাহনখ্রে। মতম পুম্নমক্তা অচুম্বনা মায় পাকই হায়নবা লৈবগুম হন্দক্কী মীখলদ প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এনা সিট মশিং য়াম্না ফংদুনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

সিব সেনা ফোঙবা সামনা চেফোংগী এডিটরসু ওইরিবা রাওতনা হায়খি, লাক্কদৌরিবা চহী ২৫ রোম পার্টি অমত্তনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু মায়থীবা পীবা ঙম্লোই। লৈবাক মীয়াম্না লুচিংবা অসিগী মফমদা মপুং ফানা থাজবা থল্লিবা মরম্না মথংগী মীখলদসু এন দি এনা মায় পাক্কনি।

ইলেক্সন কম্মিসননা ফোঙদোরকখিবা ৱারোল মতুং ইন্না মহারাষ্ট্রগী অপুনবা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৪৮গী মনুংদা বি জে পি অমসুং সিব সেনাগী এলাইয়েন্সনা সিট ৪০ ফংবা ঙম্লে। কোংগ্রেস অমসুং এন সি পিনা সিট ৭ ফংবা ঙমখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৌখৎলকপা থৌরাংশিংগী মতাংদা সিব সেনানা হায়খি, ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খুদিংমক্তা অফবা লৈঙাক লৈহনবগা লোয়ননা স্বাছ ভারতনচিংবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লৈবাক্কী মফম পুম্নমক লু-নালহন্নবা হোৎনখি।

# ‘কমল নাথ ফম থাদোক্কদবনি’

ভোপাল, মে ২৩ (এজেন্সী):

কোংগ্রেসকী মীরেপ কয়া মায়থীখ্রবা মতুংদা মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর কমল নাথ মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্কদবনি হায়না বি জে পিগী লুচিংবা রাকেস সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা বি জে পি মধ্য প্রদেশ য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট রাকেস সিংহনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা লোক সভাগী সিট অয়াম্বা বি জে পিনা কোংগ্রেসতগী মুনখিবা মরম্না মোরেল গ্রাউন্দদা চীফ মিনিষ্টর ফম থাদোকপা মথৌ তাই।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মধ্য প্রদেশকী এসেমব্লী ইলেক্সনদা কোংগ্রেসনা মায় পাক্তুনা লৈঙাক পায়বা ঙমখিবনি। কোংগ্রেসনা লুচিংবা লৈঙাক্তা সমাজৱাদি পার্টি, বহুজন সমাজ পার্টি অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এশিংনা শৌগৎলি। ষ্টেট অসিগী লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা সিট অয়াম্বা ফংলবসু কমল নাথগী মচানুপা নকুল নাথ ছিন্দৱরা কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মায় পাক্লে।

# ই ভি এমগী মতাংদা চিংনবা কয়া মরুম লৈরে ঃ সরদ পৱর



ন্যু দিল্লি, মে ২৩ (এজেন্সী):

হন্দক্কী লোক সভা মীখলদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না লুচিংবা নেসনল দেম্মক্রেটিক এলাইয়েন্স (এন দি এ)না সিট মশিং য়াম্না ফংখিবগী মতাংদা নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সি পি)না ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ই ভি এম)দা চীংনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

পার্টি অসিগী লুচিংবা সরদ পৱরনা হায়খি, ই ভি এমগী মতাংদা চীংনবা ৱাফমশিং মতম চানা ইলেক্সন কম্মিসনদা পুখৎখি। অদুবু হৌজিক্তি মীখলগী ফল লাউথোক্লবনিনা ই ভি এমগী মতাংদা ৱাকৎলুবগী থোইনা কান্নবা ফংগনি নিংদে।

ই ভি এমগা ভোটর ভেরিফাইএবল পেপর ওদিট ত্রেল (ভি ভি পেট)কা চাংদম্নদুদা য়েংনবগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা ওপোজিসন পার্টি ২২না পুখৎলকখিবা ৱাকৎ অমা ইলেক্সন কম্মিসননা ঙরাং অয়াবা পীখিদ্রবদি। ই ভি এম শেমদোক শেমজিন তৌবগা মরী লৈনবা ৱাকৎ পুখৎখিবা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মনুংদা এন সি পিসু অমনি।

হিরম অসিগী মতাংদা সরদ পৱরনা হায়খি, লৈখিদ্রবা রজিব গান্ধিগী মতমদা কোংগ্রেসনা মীখলদা সিট মশিং য়াম্না ফংখিবদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা ই ভি এমদা চীংনবা ৱাফম ফোঙদোরকপা লৈখিদে।

প্রাইম মিনিষ্টর অটল বিহারি বাজপায়িগী মতমদসু বি জে পিনা মায় পাকখিবদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা চীংনবা ৱাফম ফোঙদোরকখিদে। কুমজা ১৯৮৪দা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধিগী লুচিং মখাদা কোংগ্রেসনা সিট ৪০০ রোম ফংবা ঙমখিবনি। হন্দক্কী মতাং অসিদদি বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা মায় পাক্লকপগী মতাংদা মায়কৈ কয়াদগী ই ভি এমদা চীংনৈ হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লরকখি।

BRIGHTER SCHOOL, PHOIJING, NAMBOL

খঙহঞ্জবা

Dated, the 23rd May, 2019

স্কুল অসিগী BOSEM না লৌবা H.S.L.C. Exam. 2019 দা 23rd Position ফংলকখ্রবী K. Jaya Devi অমদি মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোয় অপূনববু ওকপগী থৌরম অমা তাং ২৫/৫/২০১৯ ইং, থাংজ নুমীৎকী অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা Public Theatre Hall, Phoijing, Nambol দা পাঙথোকচগদৌরিবা অসিদা, মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোয় খূদিংমক্লা স্কুল য়ুনিফোর্মদা শোয়দনা লাকপীনবা স্কুলগী মায়কৈদগী খঙহঞ্জরি।

Sd/- **Principal**
Brighter School, Phoijing, Nambol

HL-P/3865/24

/ অমাংথোং ময়াদা শারেমগুম্না মচা অনী পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোং মনুংদা খূৎ লোনশিল্লগা য়েংবা মতমদা অমাংথোং মনুংদসু পোম্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা য়ানবা হোৎনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, খোঙ হাম্বদা শংলগা অদুম লৈনিংবা ফহনবগীদমক ওজাবু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোং ময়াদা শারেমগুম্না মচা অনী পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোং মনুংদা খূৎ লোনশিল্লগা য়েংবা মতমদা অমাংথোং মনুংদসু পোম্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা য়ানবা হোৎনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, খোঙ হাম্বদা শংলগা অদুম লৈনিংবা, শংলগা লৈবা অদুনা অমাংথোং মপান্দা চেখায়রকপা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচরগা তিনকুপ থোক্লকপা, পূক্তা গেষ্ট্রিক কারগা পূক পংখোংদা খোংবা, গ্যাস য়াম্না তোয়না চৎপা, চাবা তুমদবা, খোঙ-খূৎ শজিং তোয়না হৌরগা য়াম্না নুংঙাইতবা, য়েৎকী হকচাং তঙ্খায় অমা শিথবগুম মরক-মরক্তা তৌবা, য়েৎকী শগন নাম্মা হাইদোক-হাইজিন তৌবদা য়াম্না নুংঙাইতবা, য়াঙলেন শৰুদা নাবা, শগন অনীমক চিকপা নাবা, খ্বাঙ য়াঙলেন নাবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজাবু হন্না-হন্না তাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Sat open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (Sun & Wed open)

থাগৎচরিবা : **Y. Mani,** Thoubal

HL-P/4162/24

/ JOB FOR X & XII PASS

ক্লাস X, XII পাস তৌরবা কেন্দিদেটশিংবু তোঙান-তোঙানবা Official Post কীদমক থবক কৌজরি। মশাগী চহী ৩০গী মনুংদা লৈবা লাইরিক তল্লিবা অমদি তম্বা তোক্লবা খূদিংমক্লা এপ্লাই তৌবা য়াগনি।

| | | |
|---|---|---|
| No. of Vacancy | : | 34 Male and 27 Female |
| Income | : | 10,000 to 30,000/- (P.M.) |
| Visiting hr | : | 12 noon to 3 pm |
| Facility | : | Fooding + Lodging Available |

Deposit লৈরোই, অকক্লবা পোষ্ট মশীংনি। অথুবা মতমদা ইশা-ইশাগী Biodata গা লোয়ননা তান্নবীয়ু।

**# 8414834122**
**# 8787501815**

HL-P/3857/22,24,28

/TRAIN YOUR CHILD BRAIN
MID BRAIN ACTIVATION COURSES

*(A Life time gift to your child)*
*Develop your Child's 6th Sense, Nobody Become A Genius by Luck. We Create Leader for the future Make your Kids the Most 'Unique'.*



জপানগী Technology অমগী মতেংনা পাঙথোকপা Mid Brain Activation Workshop/Training অসিনা অদোমগী অঙাংবু ৱাখল লৌশিং থৌহনবা, অফবা লমচৎ শাজৎকা লোয়ননা লাইরিক লাইশুদা মীথোই মীহেনবা, পুন্সিদা অচৌবা মায় পাকপা অমা শোয়দনা ওইহনবা ঙমগনি। ঙসি ফাওবদা মীথোই মীহেনবা অঙাং মশীং থিঙমদনা পুথোকখ্রবা, Sunday খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবা কোর্স অসিদা অদোমগী অঙাংসু য়াওহনবীনবগীদমক Book তৌবিহৌরো। অকক্লবা সিট মশীংনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক কোল তৌবীরকউ।

100% Guarranty

*Please contact:*
**Narajit Moirangthem,** Midbrain Master
Genius Mind Tech. Imphal
( **8787562714 / 9862287481**
**Website :- www.gmtmanipur.in**
**Facebook : gmt imphal.**

HL-P/4292/22,24

CONDOLENCE MESSAGE

EG/MSIC-84/19



The Members of the Manipur Savings & Investment Thrift and Credit Co-operative Society Ltd. and Staff is deeply condoled by the sudden and untimely demise of our beloved Member, (Late) Nahakpam Romabati Devi of Khurai Puthiba Leikai, Member No. 52, who died on 15/05/2019. The Members & Staff present remembered her contribution to this firm. The meeting observed two minutes silence in respect of the departed soul and also prayed to the Almighty God for her soul to rest in peace in her heavenly abode. We share the deep sorrow and grief of her family, relatives and all her near and dear ones.

*Sd/-* **L. Chandra Singh**,
Secretary, The Manipur Savings & Investment Thrift and Credit Co-operative Society Ltd.
Lamlong Bazar, Imphal, Manipur

HL-P/4296/24

SALE DISCOUNT BUMPER

- UNIFORM WHITE SHIRTS HALF/FULL - 150/- ONLY
- KIDS FULL/HALF CASUAL SHIRTS - 150/- ONLY
- KIDS HALF T-SHIRT (ALL SIZES) - 150/- ONLY
- GIRLS FROCKS (ALL SIZES) - 150-250/- ONLY
- GIRLS JEANS PANT - 295/- ONLY
- GENTS FULL/HALF SHIRTS (OLD STOCK) - 250/- ONLY
- GENTS KURTA - 150-295/- ONLY

AND MANY MORE ITEMS ARE AVAILABLE ON 25% TO 50% DISCOUNT.

NEW FRESH STOCK IS ALSO AVAILABLE

ONLY AT :- **BRIGHTWAYS**
THANGAL BAZAR, IMPHAL WEST

(HL-B/5380/8-30 (alt